# ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াগী লৈহাওদা অহানবা ওইনা সেরিজ লৌখিবগী পুৰারী শেমখ্রে



মেলবোর্ন, জন্যুৱারী ২৯ঃ
ইন্দিয়ানা অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওংদা ওষ্ট্রেলিয়াগী লৈহাওদা ঙসি শান্নখিবা টি ২০ ইন্টরনেসনেল মেচতা যূম্বুবু রন ২৭ তা মায়থীবা পীদুনা অহানবা ওইনা সেরিজ লৌবা ঙমখিবগী পুৰারী শেমখ্রে।

টোস ঙমখিবা ওষ্ট্রেলিয়ানা ফিল্ডিং খনখিবদগী ইন্দিয়ানা বেট্টিং তৌখিদুনা মখোয়গী চাং নাইবা বেটসমেন রোহিট শর্ম্মা অমদি ভিরাট কোহলিনা হাফ সেঞ্চুরি অমসুং শিখর ধৱন্না হাফ সেঞ্চুরি ময়া নক্না লৌখিবা রননা ইন্দিয়ানা ৱিকেট ৩ আউট ওইরগা রন ১৮৪ লৌখি।

ইন্দিয়াগী পাউখুমদা ওষ্ট্রেলিয়ানা য়াম্না ফজনা ওভর ৯.৪ দা রন ৯৪ লৌদুনা টার্গেট স্কোর লৌনবা তানখৎলকখি অদুবু ইন্দিয়াগী মশক থোক্লবা স্পিন্নরনা যূম্বুবু নমথদুনা থমখি। ওষ্ট্রেলিয়ানা অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১৫৭ খক্তক লৌদুনা ইন্দিয়াগী মখূৎতা রন ২৭ তা মায়থীদুনা লৈহৌখি। ইন্দিয়ানা সেরিজ অসি ২-০ দা মায় পাকখ্রে।

ইন্দিয়াগী বোল্লর আর অশ্বিন অমদি রভিন্দ্রা জামেজানা মথংশিংনা রন ২৭ পীথোক্লগা ৱিকেট অমা অমসুং রন ৩২ পীথোক্লগা ৱিকেট অনী লৌখি। বুমরাহনা মহাক্কী অরোইবা ওভরদা ৱিকেট অনী লৌদুনা রন ৩৭ পীথোকখি। হারদিক পন্দয়া অমদি যুভরাজ সিংহনা ৱিকেট অমম লৌখি।

ইন্দিয়ানা পুৰারী শেমখিবা অসিগী মথক্তা এম এস ধোনিনসু পুৰারীগী লমায় অমসু শেম্বা ঙমখি। ধোনিনা শেমখিবা পুৰারী অদুদি অদাম গিলখৃষ্টনা ইন্টরনেসনেল ক্রিকেটতা ষ্টম্পিং ১৩৯ তৌখিবগী থমখিবা রেকোর্দ অদু লান্থোকপা ঙমখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী স্কিপ্পর অরোন ফিনচনা বোল ৪৮ দা রন ৭৮ লৌরম্লগা রন আউট ওইখি। অদুগা শাউন মার্শনা রন ২৩ লৌদুনা ফিনচকী মথংদা অফবা বেটসমেন অমা ওইখি।

ইন্দিয়ানা ঙসি মায় পাকখিবা অসিনা মেচ অহুমগী টি ২০ সেরিজ অসি পুল্লপ লৌনবগী খুদোংচাবা লৈখ্রে। থা অসিগী ২৬ তা এদলেইটতা শান্নখিবা অহানবা ত্বেন্টি-২০ ইন্টরনেসনেল মেচতা ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াবু রন ৩৭ তা মায়থীবা পীখি।

ঙসিগী মায় পাকখিবা মেচ অসি থারগা ইন্দিয়ানা টি-২০ ইন্টরনেসনেল মেচ অহুমগী সেরিজ অসিদা ২-০ দা মাঙজিল থাদুনা সেরিজ অসি লৌবা ঙমখি।

# এসিয়া কপতা পাকিস্তান অমসুং ইন্দিয়া ফেব্রুৱারি ২৭ তা মায়োক্নদুনা শান্নগনি



ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারী ২৯ঃ
বংলাদেশনা যুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়া কপতা পাকিস্তান অমসুং ইন্দিয়া অনীনা ফেব্রুৱারি ২৭ তা মিরপুরদা মায়োক্নদুনা শান্নগনি।

লৈবাক অনী অসিনা কুমজা ২০১৫ গী আই সি সি ৱর্ল্ড কপতা মায়োক্নদুনা শান্নখ্রবা মতুং মহৌশাগী রাইভেল অনী অসিনা ফেব্রুৱারি ২৭ কী মেচ অসিনা মখোয় অনীগী অহানবা মায়োক্নদুনা শান্নবা ওইরগনি।

বংলাদেশতা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়া কপকী এদিসন অসি টুয়েন্টি ২০ ওইনা শান্নগনি। মসিনা ইন্দিয়া অমদি পাকিস্তান অনীনা মার্চ, এপ্রিলদা ইন্দিয়ানা যুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা আই সি সি ৱর্ল্ড টুয়েন্টি ২০ গী শেম শাবা ওইনা থোক্লগনি। ইন্দিয়ানা কপ অসিদা মখোয়গী অহানবা মেচ ওইনা যুম্বু বংলাদেশকা ফেব্রুৱারি ২৪ দা মায়োক্নদুনা শান্নগনি।


আর্ক রাইবেল অনীগী বাইলেটরেল সেরিজ পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরম্বদগী পোলিটিকেলগী ওইবা মরম্না তোকথোকখি। ইন্দিয়া অমদি পাকিস্তান অনীগী ক্রিকেট বোর্দশিংনা লিমিটেদ ওভরস সেরিজ ন্যুত্রেল ভেন্যু ওইনা শ্রীলঙ্কাদা শান্ননবা য়ানখ্রবসু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা থৌশাখিদে।

হৌজিক ইন্দিয়ানা লিমিটেদ ওভর সেরিজ ওষ্ট্রেলিয়াদা শান্নরি। ও দি আই মেচ মঙাগী সেরিজদা ওষ্ট্রেলিয়ানা ৪-১ দা মায় পাকখি। অদুগা টি ২০ সেরিজদনা ইন্দিয়ানা ২-০ দা মাঙজিল থারি। ইন্দিয়ানা থাসিগী ২৬ তা শান্নখিবা অহানবা টি ২০ মেচতা ওষ্ট্রেলিয়াবু রন ৩৭ তা মায়থীবা পীখি অদুগা জানুৱারি ২৯ দা শান্নখিবা মেচতসু ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াবু রন ২৭ তা মায়থীবা পীখি। অদুগা পাকিস্তাননা হৌজিক ন্যুজিলেন্দদা ও দি আই সেরিজ শান্নরি।

লাক্লিবা এসিয়া কপ অসিগী দিফেন্দিং চেম্পিয়ন শ্রীলঙ্কানা ওইরি। মখোয়না মখোয়গী কেম্পেন লাক্লিবা ফেব্রুৱারি ২৫ দগী হৌগনি। এসিয়া কপকী চেম্পিয়ন মঙারক ওইখ্রবা লঙ্কা ক্বালিফাইয়িং টুর্নামেন্টকী ৱিন্নরগা মায়োক্নদুনা শান্নগনি। মসিদা অফঘানিষ্টান, ওমান, হোং কোং অমদি য়ু এ ঈসু য়াওরিবনি।

এসিয়া কপকী সেদ্যুলদা ফেব্রুৱারি ২৪ দা ইন্দিয়া ভর্সেস বংলাদেশ, ফেব্রুৱারি ২৫ দা শ্রীলঙ্কা ভর্সেস টি বি দি, ফেব্রুৱারি ২৬ তা বংলাদেশ ভর্সেস টি বি দি, ফেব্রুৱারি ২৭ তা ইন্দিয়া ভর্সেস পাকিস্তান, ফেব্রুৱারি ২৮ দা বংলাদেশ ভর্সেস শ্রীলঙ্কা, ফেব্রুৱারি ২৯ দা পাকিস্তান ভর্সেস টি বি দি, মার্চ ১ দা ইন্দিয়া ভর্সেস শ্রীলঙ্কা, মার্চ ২ দা বংলাদেশ ভর্সেস পাকিস্তান, মার্চ ৩ দা ইন্দিয়া ভর্সেস টি বি দি, মার্চ ৪ দা পাকিস্তান ভর্সেস শ্রীলঙ্কা অমসুং মার্চ ৬ তা ফাইনেল শান্নগনি।

# সাইনানেহৱালনা অনীশুবা, সিন্ধুনা তরামাথোইশুবা মফমদা লৈখ্রে



ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারি ২৯ঃ
বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসন (বি দব্লিয়ু এফ) না শগোলশেন নুমিৎতা থোকখিবা খ্বাইদগী নৌবা রেঙ্কিংদা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা হৌদক্তা মালেসিয়া মাষ্টরস গ্রান্দ প্রী গোল্ডগী টাইটল লৌখিবা অদুনা মফম অমা হায়গৎলগা ১১ শুবা রেঙ্কতা লৈখ্রে।

সিন্ধুনা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা মালেসিয়ন টাইটল লৌদুনা সিজন অসিগী অহৌবদা মায় পাক্না চঙশিনবা হৌখিদুনা মহাক্না নুপীগী সিঙ্গলসতা অপূনবা পোইন্ট ৫৮.৩৮০ ফংখি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শট্লর সাইনা নেহৱালনা অপূনবা পোইন্ট ৭৮,৪৮২ ফংদুনা ৱর্ল্ড রেঙ্কিংগী অনীশুবা মফমদা লেংদনা অদুমক লৈখি। স্পেনগী কেরোলিনা মেরিননা পূন্না পোইন্ট ৯১,১৯২ ফংদুনা রেঙ্কিংগী মকোক্তা লৈখি।

নুপাগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী প্লেয়র কিদম্বী শ্রীকান্টনা পোইন্ট ৫৭,৪৮৭ ফংদুনা ৱর্ল্ডগী টোপ টেনগী মনুং চনবা ওন্বা ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা শান্নরোয় ওইরি।

নুপীগী দবলস রেঙ্কিংদা গ্লাসগো কম্মনৱেল্থ গেমসকী শিলভর মেদলিষ্ট ওইরিবী ইন্দিয়াগী জ্বালা গুট্টা অমদি অশ্বিনি পোন্নাপ্পানা ১৪ শুবা অদুগা নুপাগী দবলসতনা ইন্দিয়াগী মানু আট্রি অমদি বি সুমিট রেদ্দিনা ১৭ শুবা মফমদা লৈখি।

লোয়ননা বি সাই প্রানিটনা ৩৪ শুবা, সমির ভর্মা অমদি আর এম ভি গুরুসাইদত্তনা মথংশিংনা ৪৫ অমদি ৪৭ শুবা মফমদা লৈদুনা ৱর্ল্ড রেঙ্কিংগী ৫০ গী মনুং চনবা ওন্বা শান্নরোয়শিং ওইখি।

# সাউথ এসিয়ন গেমসকী সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপদা নোংথকসু য়াওনা মিৎয়েং চঙলে

গুৱাহাটি, জন্যুৱারী ২৯ঃ
ইন্দিয়ানা যূম্বু ওইদুনা গুৱাহাটি অমদি শিল্লোংদা ফেব্রুৱারি ৫ দগী ১৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২ শুবা সাউথ এসিয়ন গেমসগীদমক য়েংলগা নোংথক্কী য়াওনা অকনবা সিক্যুরি-টিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে।

গেমস অসিবু ঈং তপ্না অমদি থৌদোক ৱাথোক অমত্তা থোকহন্দনা পাঙথোক্লবা সেন্ট্রেল ফোর্সকী আর্মদ পুলিস পার্সনেল অমদি আসাম পুলিস পূন্না ৫,১১০ অমসুং খূৎলাই পায়দবা ষ্টেটকী পুলিসমেন ৬,৫৩৭ না গুৱাহাটিদা থমদুনা ঙাক শেনগনি।

শিল্লোংদসু মতিক চাবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলে অমদি খূৎলাই পায়বা অমসুং পায়দবা সিক্যুরিটি পার্সনেলশিংসু দিপ্লোয় তৌগনি হায়না কম্ম্যুনিকেসনননা হায়খি।

সেন্ট্রেল ফোর্সেসনা সিক্যুরিটিগী শেম শাবগী থবকশিং পায়খৎপগা লোয়ননা মখোয়না ষ্টেট অনীমক্কী ষ্টেট পুলিসশিংসু কম্মান্দ তৌদুনা ওভরওল সিক্যুরিটি কন্ট্রোল তৌগনি।

গেমস অসিগী সিক্যুরিটিগী থবক থৌরমশিং গুৱাহটিগীনা আসাম পুলিসনা অমসুং শিল্লোংগীনা মেঘলায়া পুলিসনা দাইত্ব পুগনি। এয়রপোর্টতগী হোটেল অমদি ভেন্যুশিং য়াওনা গেমদা শরুক য়ারিবশিংনা চখোক চৎশিন তৌবা লম্বীশিং ফুল প্রুফ সিক্যুরিটি থৌরাংশিং মাঙজৌননা লৌখৎলে অমদি গেমগা মরী লৈনবা গাড়ীশিং ইস্কোর্ট ঙাক্তুনা চখোক চৎশিন তৌগনি।

হোটেলশিংদা পুলিস কন্ট্রোল রুমশিং হাংদোক্কনি অমদি সিটিশিংগী মরু ওইবা মফমশিংদা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা ক্বিক রিএক্সন টিম থমগনি। মসিগীদমক্তা আর্মিনা ষ্টেন্দবাই ওইনা লৈগনি।

সিক্যুরিটিগী শেম শাবগী মতাংদা ব্রিগেদিয়র অবানি পাইট হেদ ওফ সিক্যুরিটিনা হায়, হৌজিক ঐখোয়না করিগুম্বা অমত্তদগী কিহন খঙহল্লকপা লৈতে। গেম অসিদা শরুক য়ারিবশিং অমদি ভিজিটরশিংনা ময়ূম ময়ূমদা আসাম অমদি মেঘালয়াগী হরাও তয়াম্বা অদু পুদুনা হনখিবা অদু ঐখোয়না পাম্মী। মদুমক ঐখোয়না তৌগনি।

মেঘালয়া অমদি আসামগী পুলিসনা লৌরিবা থৌদাংবু থাগৎলদুনা অবানি পাইটনা হায়, ষ্টেট অনীগী পুলিসনা গেম অসিগীদমক অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলি অমদি মখোয়না মতিক চাবা থবকশিং পাঙথোক্কনি হায়না ঐনা থাজে হায়খি।

# ইন্দিয়াগী ফুটবোল্লর ১৬ স্পেনদা ট্রেনিং তৌরুগনি

পানাজি, জন্যুৱারী ২৯ঃ
ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা হৈথোই শিংথোইরবা ফুটবোল্লর ১৬ রিয়েল মেদ্রিদকী স্পেসিএলাইজ য়ুথ কোচেস অমদি স্পানিশ ফেদরেসনগী মখাদা স্পেন্দা নুমিৎ ১০ নিগী ওইনা ট্রেন তৌরুনবা খনগৎখ্রে।

খনগৎখ্রবা অন্দর-১৫ গী নুপামচা ফুটবোল্লর ১৬ অসি লাক্লিবা এপ্রিল ১৫ দা স্পেনগীদমক খোঙশানখিগনি।

লৈবাক অসিদা লৈরিবা হৈথোই শিংথোইরবা নুপামচাশিংবু গ্রাসরুট লেভেলদগী ফুটবোলগী ওইবা গাইদেন্সশিং পীদুনা ইন্দিয়ন ফুটবোলবু অৱাংবা থাক্তা পুরক্নবা থৌশিলগী মখাদা হৌখিবা চহীগী ওগষ্ট থাদা ষ্টার স্পোর্টসনা 'য়ুঙ হেরোজ' হায়দুনা হৌদোকখিবা প্রোগ্রামগী মখাদা ট্রেনিং অসি পীগদবনি।

হায়লাইফ মেনেজমেন্টনা চথবা টুর্নামেন্ট এক্টিবেসন প্রোগ্রাম অসিনা মহৈরোয় চাউরাক্না ৪২০,০০০ কোনশিনখি অমদি টুর্নামেন্ট পোপুলেসনদগী চাউরাক্না ফুটবোল্লর ৬,৫০০ মশক খঙদোকখি।

মফম অসিদা ঙরাং পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা এক্স ইরানিয়ন ফুটবোল্লর অমদি ষ্টার স্পোর্টস য়ুঙ হেরোজগী হেদ মেন্টর জামশিদ নাশিরিনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা মহাক্কী খঙ হৈরবা কয়া অদু এদভাইস তৌখি অমদি নুপামচাশিংবু মখোয়গী খোঙচৎকী মাঙওইননা মপূক্নিং থৌগৎখি।

স্পেনদা চৎনবগীদমক খনগৎখ্রবা নহা ওইরিবা ১৬ অদুদি ব্রিজিৎ মৈতৈ, অকাশ প্রধান (বেঙ্গলোর), অরিজিট রৱাট (চান্দিগর), বালাজিদ খোনগ্রিন্মাই, রিশিকেশ (চেন্নাই), অকশয় যাদকোনকর (গোৱা), অর্মান সিংঘা (গুৱাহাটি), কিয়ান নাসিরি (কোলকট্টা), এম দি রাফি, অদর্শ, অনুপ (কোচি), সাইফকালেব (মুম্বাই), শৌরয়া ভর্মা (দেল্লি), রিমার্ক খারমালকি, কয়সাইলাং খুংসিট অমদি ফৱাংকি বুম (শিল্লোং) নি।

# রাঞ্চি রেজনা মায় পাকখ্রে

রাঞ্চি, জন্যুৱারী ২৯ঃ
দিফেন্দিং চেম্পিয়ন রাঞ্চি রেজনা হৌজিক চথরিবা মরিশুবা হোকি ইন্দিয়া লীগকী রাউন্দ রোবিন মেচতা টেবলগী টোপ্পর ওইরিবা কলিঙ্গা লেন্সরসপু ০-২ দা মায়থীবা পীদুনা হেটত্রিক ফংবা ঙমখ্রে।

যূম্বুনা ০-২ দা লৈখ্রবসু মশক থোক্না শান্নরকখিদুনা মখোয়গী প্লেয়র অশলে জেক্সননা মেচকী মিনিট ৩৯ দা পেনালটি কোর্নরদা গোল অমা চন্দুনা ১-২ দা লৈখি। মখা তানা রাঞ্চি রেজগী টিমোথি দিভিননা মেচকী ৪৮ চৎপা মতমদা ফিল্ড গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মায় পাকখি।

কলিঙ্গাগী মালক সিংহনা মেচকী মিনিট ৩৩ চৎপা মতমদা ফিল্ড গোল অমা চনখিদুনা মহাক্কী টিমনা ২-০ দা মাঙজিল থাখিবনি।

অনৌবা গোলগী স্কোরিং সিষ্টেম মতুং ইন্না ফিল্ড গোলবু গোল অনী ওইনা লৌরি অদুগা পেনালটি ষ্ট্রোকসু গোল অনী লৌরি।

রাঞ্চিনা মায় পাকখিবা অসিনা টেবলগী টোপ্তা লৈখ্রে। মখোয়না মথংগী মেচতা জয়পী পঞ্জাব ৱারিয়রসকা থাংজ নুমিৎতা শান্নগনি অদুগা কলিঙ্গানা মথংগী মেচতা দবাং মুম্বাইগা মুম্বাইদা নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নগনি।

রাঞ্চি রেজ অমদি কলিঙ্গা অনীনা অহানবগী ক্বার্টর অনী ফাওবদি অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। টিম অনীগী মেচ অদুদা কলিঙ্গানা মখোয়গী অহানবা গোল অদু মালক সিংহনা ফিল্ড গোলদা অহুমশুবা ক্বার্টরগী মিনিট অহুম চৎপা মতমদা চনখি।

মিনিট তরুক্কী মতুংদা রাঞ্চিগী স্কিপ্পর জেক্সননা পেনালটি কোর্নরদা গোল অমা চনশিন্দুনা ১-২ দা লৈখি।

ক্বার্টর অহুম লোইখিবা ফাওবদা ভিজিটরনা ২-১ দা মাঙজিল থানা লৈখিবগা লোয়ননা এন্দ্রিয়ু চার্টরনা মশক থোকপা সেভ খরা তৌখি।

# নিলেস ৱাহেংবম ষ্টেট ওপন ফুসাল ফুটবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ২৯ঃ
উষা ভবন ক্লব শগোলবন্দ শয়াং অমসুং টুর্নামেন্টকী ওর্গেনাইজিং কম্মিটিনা পূন্না শীন্দুনা উষা ভাবন ক্লবকী গ্রাউন্দদা চথরিবা অনীশুবা নিলেস ৱাহেংবম ষ্টেট লেভেল ওপন ফুসাল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেচতা এফ সি ইম্ফাল ময়াই কোয়বী, আই বি ঐচ মৈনো লৈরক, রিএল শগোলবন্দ মায় পাকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা টিম ২২ না গ্রুপ মরিদা শরুক য়াদুনা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচ ওইনা পি এল ৱাই ভি এ কৈশামথোং অমসুং এন এফ সি মোইরাং লৈরক অনীনা শান্নগদবদা পি এল ৱাই ভি এ লাক্তবদগী এন এফ সিনা ৱর্কওভর ফংখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা এফ সি ইম্ফাল ময়াই কোয়বীনা কে ৱাই এফ এ কোইরেঙ্গৈ গোল ৫-১ দা মায়থীবা পীখ্রে। এফ সি ইম্ফালগী গোল অদু কৃষ্ণনা গোল ৪, ও জিনা গোল অমা চনখি। কে ৱাই এফ এগী গোল অদু সি ঐচ সিঙ্কনা চনখি।

অহুমশুবা মেচতা আই বি ঐচ মৈনো লৈরক্না এঞ্জেল্লস সুপরমেন থাংমৈবন্দ গোল ৪-২ দা মায়থীবা পীখ্রে। আই বি ঐচকী গোল অদু মনারিংনা গোল অহুম, ইঙ্কনা গোল অমা চনখি। এঞ্জেল্লস সুপরমেনগী গোল অদু ওলিভর অমসুং নৈলিন্না চনখি। মরিশুবা মেচতা রিএল শগোলবন্দনা য়ু বি সি টিম এ শয়াং গোল ১২-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। রিএল শগোলবন্দগী গোলশিং অদু চাউবনা গোল ৮, রবিনা গোল অনী, গোলমৈ অমসুং রাজানা গোল অমমম চনখি।

মঙাশুবা মেচতা রাই ব্রোস অমসুং এ এ সি বাবুপরা গোল ৩-৩ দা দ্রো ওইখ্রে। মেচ অদুদা টিম অনীমক্না য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইনা শান্নখি। রাই ব্রোসকী অজিৎনা গোল অনী অদুগা রোমিওনা গোল অমা চনখি। এ এ সি বাবুপরাগী গোল অহুম অদু গ্যানেশ্বর, শুসিল অমসুং দিপক্না চনখি।

# ১০ শুবা শিরটি ফুটবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, জানুৱারি ২৯ঃ
শিরটি ওলেম্পিক এসোসিএশন্না শীন্দুনা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা লিৱা শারৈ গ্রাউন্দদা চথরিবা ১০ শুবা শিরটি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী নুপীগী ফাইনেল মথং থাগী ১ দা চঙনে অমসুং মোন্সাং পন্থা অনীনা শান্নরগনি।

ঙসি শান্নখিবা নুপীগী অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচতা চঙনেনা লিৱা চনিং টাই ব্রেক্কী পেনালটি শুট আউটতা গোল ৩-২ দা মায়থীবা পীদুনা চঙনে ফাইনেল চঙখ্রে।

মেচ অদুদা লম্বা থেংনখিবা টিম অনীমক্না য়াম্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নখিবনা মেচকী অপীবা মতম ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। মেচ অদুগী কিক্স ফ্রোম পেনালটি মার্কতা চঙনেগী গোল অহুম অদু টি ঐচ খমশানি, দব্লিয়ু মেরলিন অমসুং কে অগষ্টিনিনা চনখি। মায়থীহৌরবা লিৱা চঙনিংগী গোল অনী অদু কে ঐচ লুংনারিং অমসুং ঙৌরুনা চনখি।

# ইন্দিয়ানা আইরলেন্দ মায়থীবা পীখ্রে

মিরপুর, জন্যুৱারী ২৯ঃ
বংলাদেশনা যূম্বু ওইদুনা চথবা হৌখ্রবা আই সি সি অন্দর-১৯ ক্রিকেট ৱর্ল্ড কপগী ঙরাং মফম অসিদা শান্নখিবা গ্রুপ দিগী মেচতা ইন্দিয়ানা আইরলেন্দবু রন ৭৯ দা মায়থীবা পীদুনা মায় পাক্না চঙশিনবা হৌখ্রে।

মফম অসিগী শের-ঈ-বংলা নেসনেল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী বেটসমেন সরফরাজ খাননা রন ৭৪ অমদি ৱাশিংটন্না রন ৬২ লৌদুনা টিমনা মায় পাকপদা চাউরবা থৌদাং লৌখি।

অহানবা বেট্টিং তৌখিবা ইন্দিয়ানা মসিগী ওপনর ইশান-কিফনা অহুমশুবা বোলদা রন অমত্তা লৌরমদনা আউট ওইখিবদগী অয়াম্বা বেটসমেনশিংসু মথং মথং আউট ওইখি। ইন্দিয়ানা ওভর ১৭ তা ৱিকেট মরি তুরগা রন ৫৫ খক লৌখি। খান অমদি সুন্দরনা মঙাশুবা ৱিকেটতা পূন্না রন ১১০ লৌদুনা ইন্দিয়াবু খুদোংথিবদা তারমগদবদগী কনবা ঙমখি। জিশন অন্সারিনা ইন্নিংস লোইরমদাই শরুক্তা বোল ৩৬ তা রন ৩৬ লৌদুনা ইন্দিয়ানা অপূনবা রন ২৬৮ লৌবদা অচৌবা মতেং পাঙখি।

আইরলেন্দনা মখোয়গী টার্গেট রন ২৬৯ লৌনবগীদমক তান্নরকপা মতমদা মখোয়গী ওপনর জেক টেক্টর অমদি ষ্টেফন দোহেনিনা মথংশিংনা রন ১ অমদি রন ৪ লৌরম্লগা আউট ওইখি। মখোয়গী বেটসমেন লোকার্ন টক্করনা রন ৫৭ অমদি ৱিল্লিয়ম মেকক্লিন্টোক্না রন ৫৮ লৌদুনা টিমগী মায় পাক্লবা হোৎনরম্লবসু ইন্দিয়ানা ওভর ৪৯.১ দা রন ১৮৯ খক্তমক পীরগা ৱিকেট পূম্নমক ওল আউট ওইহনখি।


INSTITUTE OF COOPERATIVE MANAGEMENT, IMPHAL
COOPERATIVE COMPLEX, LAMPHELPAT
( Ministry of Agriculture & Farmers Welfare, Govt. of India)
ANNOUNCES
CERTIFICATE COURSE ON COMPUTER APPLICATION
W.E.F. 2ND FEB. 2016 TO 2ND AUG. 2016
Timing : (i) 07.30 A.M. to 09.30 A.M.
(ii) 09.30 A.M. to 11.30 A.M.
Intake Capacity : 30 each
Course Fee : Rs. 8000/-
Duration : 6 Months
PROG. ON HARDWARE & NETWORKING
W.E.F. 22ND FEB. 2016 TO 4TH APRIL 2016
Timing : 07.30 A.M. to 09.30 A.M.
Intake Capacity : 30
Course Fee : Rs. 3000/-
Duration : 6 Weeks
CERTIFICATE COURSE ON
ACCOUNTING, PAYROLL, TAX ACCOUNTING & INVENTORY CONTROL
USING TALLY ERP 9
W.E.F. 22ND FEB. 2016 TO 22ND APRIL 2016
Duration : 2 Months
Intake Capacity : 30
Timing : 02.00 P.M. to 04.00 P.M.
Course Fee : Rs. 3000/-
Contact Nos.:
✆ 03852414526
Sd/-
(K. Joychandra Singh)
Director(i/c), ICM, IMPHAL
HL-P/7413/28,30,31



B.C.C. Manipur
Under the guidance of BOSEM/CHOSEM Estd. 1995
KAKWA ASEM LEIKAI, NEAR OIL PUMP
The Longest Coaching Centre in Manipur & 20 years service
Run by Resource Persons and Examiners of BOSEM & COHSEM
ADMISSION OPEN
CLASS X, XI & XII Sc REVISION COURSE
(Separate class - CBSE & COHSEM)
Sub: X (All subject), XI & XII Sc (Phy, Che, Bio, Maths, Eng, Compt. Sc)
CLASS HAS JUST STARTED
CLASS IX & X FOUNDATION COURSE 2016-17
CLASS STARTS ON : 18th JAN. 2016 LAST DATE : 16th JAN. 2016
Class Timing : (Either morning or evening students can join in both classes)
Morning (5:30 to 8:00) a.m.
Evening (4:30 to 7:20) p.m.
Please Contact :
Office of the BCC Manipur
Elite Senior Sec. School Building
Hostel & Van Service facilities # 8731833072 / 9856279435
HL-B/2879/6/01-5/Feb



IPS THE IMPHAL PUBLIC HR. SEC. SCHOOL
CANCHIPUR
THE ONLY SCHOOL IN MANIPUR WITH ALL ROUND DEVELOPMENT
THE PERFECT DESTINATION FOR PARENTS AND STUDENTS
KFC THE KANGLEIPAK FITNESS CENTRE (A BLOCK OF GYM OF IPS)
REGISTRATION OPENS FOR FITNESS TRAINING (BOTH GYM & AEROBIC)




* YOU CAN LOST 20-30 KGS OF BODY WEIGHT WITHIN A FEW MONTHS
* YOU CAN GAIN 10-20 KGS OF BODY WEIGHT WITHIN A FEW MONTHS
* YOU CAN FIT WITHIN A FEW MONTHS
* SPECIAL CONCESSION FOR STUDENTS
* SPECIAL CONCESSION FOR IPS STUDENTS & PARENTS.
* WEIGHT LOST & GAIN, CONSULTANT
* TRAINING FEE RUPEES 500/- ONLY
* GYM TIMING - 5AM TO 8PM
MOTTO : HEALTH IS WEALTH
ADMISSION OPENS-2016 FROM PRE-NURSERY TO CLASS IX (BOTH SCHOOL & BOARDING)
* AWARDED FOR BEST SCHOOL
* AWARDED FOR BEST PRINCIPAL
* LOWEST ADMISSION FEES & TUITION FEES WITH MEGA FACILITIES
* 12 TIMES STATE WINNER IN CO-CURRICULAR ACTIVITIES
LET'S NOT DEPEND ON FUTURE. LET'S CREAT IT.




MOTTO : KNOWLEDGE IS POWER
Note: i) Academic Session for 2016 will be commenced from the 1st of Feb. 2016 from Class Pre. Nursery to Class X.
ii) All the Boarders should report on 30th of January 2016 in between 10 a.m. to 3 p.m.
HL-B/2885/9/01-8/02